# লুপা ফুদোংবা নোকফদেগী থৌরম

*- নানি*



কুইখিদ্রিবোই নীংলুই **নোকফদে**না মণিপুরগী ফাগিগী ময়াক অমা পুদুনা শাফোঙলকখিবদু। মতমদুদা কেসেট য়োনবা দুকানশিংদগী খোঙলকপা ওদিও কেসেট নোকফদেনা লম্বী অচৎ-অওকশিংবু দুকান মপাদা তারগা শিথ-শিথ নোকখিবদু মীৎসিদা শং-শংনা উরি। মণিপুরদা পুকচেল তিংনা মীবু ফজনা নোকহনখিবশিংদি - ফাগিগী নিংথৌরেল ওইনা লৈবিরম্বা ওইনাম বাবু, তখেল্লম্বম চাউবা, ময়াং ইম্ফাল তোম্বীনচিংবা ওজাশিং অসিনি। মখোয়দা নত্তনা অতৈ ময়াম অমসু লৈরি, লোইনমক মীং পনদ্রে। মখোয়গী ফাগিগী ওদিও কেসেট 'ইপোম' না মীপূম খুদিংবু পুক্লি পায়হনখিবা মতমনি। ওজা অহলশিং অসিগী মতম লোইশিল্লক্তুনা থুপখ্রবা মতুংসিদদি, অনৌবা ফাগি পুবা নহাশিং ঙাক্তনা মখল মথেল কয়াগী ৱারী মচা-মচা, থৌদোক মচা-মচা অমদি মীতৌ তম্বগী (মিমিক্রি) ফাগিনা ঙাইহাক ঙাইহাক্তা ওইরসু নোকহল্লকখিবা। মখোয় খরা অসি নৎত্রদি থোইদোক্লা মণিপুরদা নোক্লবগী মচাকসি থোইনা লৈত্রে। নোং ঙানবদগী থোক্লিবা অৱা-অনা, মীশি-মীনা, মীহাৎ-মীপুন কয়া অসিগী মরক্তা চানীংঙাই-শূনীংঙাই লৈতবগী খম থেংনা ৱাখ্রবা মতমসিদবু করিদা য়েংলগা নোকতৌরিবনো? নোক্তবদি য়াদে, নোপকপা হায়সিদি শিদা হীদাকনি, পুন্সি নুংশাংনবনি, লায়না তীলনা চঙদনবনি, অমগা অমগা নুংশি লিপুন্না পুনমিন্ননবনি, অদুবু নোক্লবৈ মচাকতি লৈত্রে-কমদৌনা নোক্কনি? ঐখোয় মীয়াম্বু খরদা ওইরসু নোকহনবীরিবা 'নোকফদে' কাঙবুসিবু তরাইনা লৌরুবা য়ারিব্রা?

ঙসিদি নোকফদে চহী ২৫ শুবগী সিলভর জুবিলি (লুপা ফুদোংবা) থৌরম, হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৫, ২০১৯দা লময়ানবা শঙলেন্দা মায় পাক্লা, হরাও তয়াম্না পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মমিং লৈরবা লৈখিদ্রবা কোমেদিয়ন - এল ধনবির অমদি ও মঙ্গিবু ইকায় খুম্নবা উৎতুনা খুদোলপোৎ পীখি। লোয়নননা এস ঐচ হেমন্ত, টি ঐচ থোইথোই, জি গুনা শর্ম্মদসু ইকায় খুম্নবা উৎপা অসিনা মপূং ওইবা থৌরম ওইখি। থৌরম অদুদা শ্রী করাম শ্যাম, ওনরেবল মিনিষ্টর পি দি এস অমদি কঞ্জুমর এফ্যেরসনা চীফ গেষ্ট, এস ঐচ নবা শর্ম্ম, কো-ওর্দিনেটর, দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরনা প্রসিদেন্ট অমদি থাংজম অরুন, সোসল ৱার্করনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমগী মনুং চন্না নোকফদেগী অনৌবা আর্টিষ্টশিংনা মিমিক্রি মচা-মচা পাঙথোক্তুনা অরাকপশিংগী পূক্নিং-ৱাখলদা লৈরম্বা Tension, Anxiety, Depression পূম্নমক লৌথোক্তুনা মপূক্নিং পেন্না পেন্না নোকহনখি।

মিমিক্রি হায়বা অসি ইতোপ তোপ্পা মখলগী ফাগি মতা অমনি। মরীল ইখা খাদবা ফাগি জাতা অমা ওইরবসু, আর্টিষ্ট অদু মীগী পূক্লিবু পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী মতিক ময়াই অমদি চেল্লবনি। মসিনি পীথোরকপা হায়বসি। পীথোরকপসিগী মথক্তা ত্রেনিং অমগা হাপচিল্লবদি করি ওইগনি। মিমিক্রিনা ষ্টেপ্পিং ষ্টোন ওইরগা আর্টকী তাইবঙদা চোংশিল্লক্তুনা ঙসিদি ফাগিগী অচৌবা ফিদা অমা ফংদুনা মফম চাউনা চাউনা কল্লবা আর্টিষ্ট ফনা য়াম্না মণিপুরদসু, বোল্লিৱুদ/হোলিৱুদতসু য়াওনরে। ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা কোমেদিয়ন অয়াম্বা মিমিক্রি আর্ষ্টি ওইনা হৌরকখিবনি। খরদং পনবা য়াবদা- নেরেল্লা ভেনু মাধব (দিসেম্বর ২৮, ১৯৩২ - জুন ১৮, ২০১৮) হায়বা অসি ৱারাঙ্গল, হায়দ্রবাদতা পোকখিবনি। মহাক মশাগী চহী ১৬শুবদগী মিমিক্রি আর্টিষ্ট ওইনা মীয়াম্না শক খঙবা হৌরকখিবনি। মহাক্কী শিংথানীংঙাই ওইবা অখন্নবা পার্ফোর্মেন্সকীদমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মহাকপু কুমজা ২০০১দা পদ্মশ্রী এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নখি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা অন্ধ্র প্রদেশকী মতম অমগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা পি ভি নরসিমহা রাওনা নোমিনেট তৌদুনা কুমজা ১৯৭২-১৯৭৬ ফাওবা এম এল এ অমা ওইনা এসেমব্লিদা ফমখি। অন্ধ্র প্রদেশতা লৈবা ককাটিয়া য়ুনিভর্সিটিনা মহাকপু ওনরেরি ডোক্তরেট দিগ্রী ফাওবা পীখি। মহাক্না লৈখিদবা মতমদা, ষ্টেটকী থাক্তা funeral ফাওবা পাঙথোকখি। মহাক্কী মতুংদা লাকখিবা আর্টিষ্ট কয়া - Raju Srivastava, Ashan Qureshi, Sufiyan Sheikh, Sakeel Siddique, Moin Akhtar, Sunil Gover, Bharati Singh, Sugandha Mishra, Sanket Bhosle, Sudesh Bhosle, Kapil Sharma, Sunil Pal, Johny Lever, Sonu Nigam, Purvi Sinha, Jaswant Sinha, Vijay Iswarlal Pawar (VIP), Sudesh নচিংবা য়াম্না লৈখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনসু মিমিক্রি আর্টিষ্ট এসোসিএসন, মুম্বাই হায়বা অমসু শেমদুনা মখোয়গী ৱেলফ্যেরগীদমক অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎপসু লৈখ্রে। মণিপুরদদি ফাগি য়োকখৎনবা হোৎনজরিবা নোকফদেগী কাঙবু অসিদা করি তৌখ্রবগে অমদি করি তৌনীংলিবগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইনা লৈরি। ঙাইহাক কৌরগা ঙাইহাক নোকপদগী হেন্না আর্টিষ্টশিং অসিগী অমদি ফাগিনা খুন্নাই অসিদা লৌরিবা থৌদাং কয়া অসি য়েংলগা মসি থওইনা য়োকখৎনবা কৈসু থোইদোকপা মীৎয়েং চঙদবদৌনা তৌরি। মসিগুম্বা মীৎয়েং অসিদগী খরা থৈদোক্লগা নুংশিবীবা মীৎয়েং অমা য়েংবীদুনা তৌবা য়াবা করিনো খরা তৌহনবা ফৈ। মসি নোকফদেগী ৱা নত্তনা তুংগী খুন্নাই অসিগীদমক থোইদোক্লা কান্নরবা থৌশিল অমা ওইহৌগনি। খজিক খজিক্তগী নোকফদেনা পুথোরক্লিবা আর্টিষ্টশিং অসি ফনা য়াম্মে। চহী খুদিংগী অমা অনীদা ওইরসু পুথোক্লিবনি। মসি অরায়বা নত্তে, মখোয়গী প্লেটফোর্ম পীদুনা মখোয়বু পার্ফোর্মেন্স পীহনবা হায়বসি অমনা হেক্তা তৌবা য়াগদবা নত্তে। অদুনা নোকফদেগী ওইনা লৈরিবা আর কে ফিল্মস অমদি নোকফদে কলচরেল ফাউন্দেসন্দা মরী লৈনবা পূম্নমকশিংনা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি।

ফাগি হায়বা অসি মীওইবগী পুন্সিদা য়াম্না মরু ওই। হকচাং ঙম্লক্তবা মতমদা হীদাক চারগা হকচাং নুংঙাইবগুম ৱাখল নুংঙাইরক্তবা মতমদা ফাগি অমনা ৱাখলগী নুংঙাইতবা পূম্নমক ফহল্লি। তশেংনমক ফাগি হায়বসি হীদাক মখল অমনি, খেন্নরিবা হায়ববু হীদাক হায়বসিনা নারগা চাবনি, ফাগি হায়বা হীদাক মখল অসিদি নাদ্রিঙৈদা চারসু শুকনা নাহন্দে, নারগা চারসু অনাবা ফহল্লি।






হরাও তয়াম্বা হায়বসে নুংশিনবগী অহানবা শরুকনি, নোকমিন্নবা হায়বসিনা অনীশুবনি। মসিবু য়াওদ্রবদি নুংশিনবা লৈরোই। য়ুনিটি পুরকপা ঙম্লোই। লৈশাবীনা পাখং উরগা নোকফেৎ তৌদদুনা শুকতোক্লরগদি কাইদৈ অনীদু নুংশিনরক্কনি। নোকফেৎ তৌনবদগী ৱাখলগী লমজেল থাদুনা ওন্নরগা নুংশিনবা হায়বদুগী পরিংদা লাক্লগা নুংশি পন্থুং য়ৌনরিবনি। হৌজিক উনবদা শুক্লরিবা কাঙলূপ ফুরুপশিং অসি পূন্না চামিন্নবা, পূন্না নোকমিন্নবা, পূন্না হিংমিন্নবগী মচাক ওইরিবা ফাগি অমদি নোকপা হায়বসিনবু চেৎনা পুল্লবদি অমুক হন্না হিকোম্নরকপা ঙম্লোই। শুকতোক্লরবদি থাঙ শৎনরক্কনি, নোকমিন্নরবদি কোন্নরক্কনি।

ফাগি হায়বসি লম লমগী মতুংইন্না খেন্নবা মওং লৈবদি য়াই। অদুবু ইকোন হেক কোনবদা মীবু ফজনা নুংঙাইনা নোকহনবা হায়বসিনা ফাগিগীদি অরোইবা পন্থুংনি। মণিপুরগী ওইনদি ফাগি হায়বসি মীয়াম মরক্তগী হৌরকই। শা-উচেক্কী শঙ্গু-শঙ্গু, মীওইবা কাঙলূপ কাঙলূপকী শিল্লম-শিন্থা, শাজৎ-লিচৎ, ৱাঙাঙ-শঙাঙ কয়াগী মওং-মতৌদগীসু ফাগিগী অনৌবা মশক শাগৎলকই। ফাগি হৈবশিং মদুগুম্বা কয়াদুদগী ফাগি শুংনবা ৱাখল থাদনৈ। শিনশূ-শঙদা, লৌবুক্তা, কৈথেলদা, হোটেলদা ফাগি ময়াম অমা থোরকই। মীয়াম পূম্নমক ফাগি তৌনদুনা হকচাংগী চোকথবা পূম্নমক ফহল্লি। অমগা অমগা নুংশিনহল্লি। ফাগি হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবা অমনি। ফাগি য়াওদনা মীনা হিংবা ঙম্নদে। অদুনবু মালেমগী ওইবা ফাওরবা কোমেদিয়ন চার্লি চেপ্লিন্না হায়রল্লিবনি - "A day without laughter is a day wasted" হায়না। মমিং লৈরবা রাইটর রবিন্দ্রনাঠ টেগোরনসু হায়রম্মী "নোংমগী মনুংদা মীকুপ অমতং ওইরবসু নোক্কদবনি"। হৌজিক্কানদি নোক্লবগীদমক ক্লব লীংদুনা ময়াম পূন্না পূন্না ৱা-ৱা নোক্লবা থৌরাং পায়খৎনরক্লবা মতমনি। ইন্দিয়াগী মফম খরদসু কার তোংদুনা ইমুং মনুং পূন্না-পূন্না লাক্লগা ক্লব মনুংদা চঙলগা মরম চাবা-চাদবা থৌওইনা নোকপা তল্লিবনি। অদুনদি নোংমগী মনুংদা ফাগি হায়বসি কয়াদা মমল য়ামখ্রবনো? মসি ঐখোয় শ্বাইগী লুচিংবশিং অসিনা কয়া য়াম্না খঙলিবগে? মণিপুরদা ফাগিগী কান্নবা খঙহন্দুনা মরী লৈনবশিংগী মায়কৈদগী করম্বা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলিবগে? নৈনবা য়াবা অমদি পাউখুম থিরিবা ৱাহং ঙাক্তনি।

পূম্নমকশিং অসি য়েংলগদি নোকফদেগী আর্টিষ্ট পূম্নমকশিং অসি মমল য়াম্না য়াম্মী। অতাঙবা লন ঙাক্তনি। মখোয়বু হেন্না ইচং থৌহনবা অমদি আর্টকী মায়কৈদা মমায় মমিৎ পাংবা ঙম্নবা অখন্নবা ত্রেনিং অমদি হোৎনবা য়াম্না চঙলি। মসিসু নোকফদে কলচরেল ফাউন্দেসননা মতম মতমগী ওইনা মশক থোকপা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্কনি হায়না থাজবা থমজগে। মতম চূপ্পা নোকফদে য়াইফরসনু।

## থাজবরা, থাজদবরা? অঙকপনা থল্লবা মালেম



- হিপোপোটামসকী শঙ্গোম পিঙ্ক মচু ওই।
- খ্বাইদগী শাংনা তূম্বা ঙম্বা জিবা অসি থরোইনি! মখোয়না চহী অহুম চুপ্পা তূম্বা ঙম্মী!
- কঙ্গারুশিং অসি তুং হল্লগা চৎপা ঙমদে!
- মালেমগী পুৱারীদা খ্বাইদগী তেনবা লান অদু শূপ্নগী মিনিট ৩৮ খক্তং শাংই!
- ঐখোয়না তূল্লিঙৈ মতমদা মনম অমত্তা ফাওদে। য়াম্না শাথিনা নমথিবা মনম ফাওবা অমত্তা নমদে।
- ঐখোয়না ৱাখল খন্নবগীদমক ব্রেননা ইনর্জি ৱাট্ট ১০ শীজিন্নে। ঐখোয়গী ব্রেন অসি অনাবা ফাওদে।
- রব্বর বোল অমা লৈমায়দা থোম্বদা চোংখৎপা চাংদগী গ্লাসকী বোল অমনা হেন্না ৱাংনা চোংখৎপা ঙম্মী।
- মালেমগী খ্বাইদগী পীকপা লৈবাক অসি ভাটিকান সিটিনি। মসি .২ ইসক্কের মাইল খক্তমক চাওই
- খুজিল অসি ঐখোয়গী হকচাং ঈংলগনা হেন্না থুনা শাঙ্গৎপা হেল্লি।
- মীওই অয়াম্বনা মখোয়গী পুন্সিগী চয়োল অনীমুক্কী মতমদি ট্রাফিক লাইট ঙাইবদা মাঙই।
- কুমজা ১৯১৩ গী মমাঙদা মমা মপাশিংনা মচাশিংবু মখোয়গী মবোক্কী মফমদা চিঠি থাবগুম্না পোষ্টেল সর্ভিসতা থাবা য়ারম্মী।
- ঙা খরদি লোক খুবা ঙম্মী।

## আলু অমসুং গজরগী এঞ্জাং




মচলশিং :- (১) ময়াই ওইরপ চাওবা আলু অহুম। (২) ময়াই ওইরপ চাওবা গজর অনী। (৩) হৱাই থরাক চা কপকী ৩/৪ (৪) জীরা চামস ১। (৫) ইঞ্চুসুক্কী শীঙ-কুপ্না শোইগনি। (৬) মোরোক অতেকপা অনী। (৭) হিং খরা। (৮) ঈশিং চমচ অনী অহুম। (৯) থাও চমচ অমা মখায় (১০) ফদিগোম মনা কুপ্না শোইদোক্কনি। (১১) থুম অপাম্বা চাংদা।

থোংবগী মওং :

আলু অমসুং গজর শেংনা চামথোক্লগা মকু খোক্কনি। আলু মশুং মচা-মচা থোক্লা শোইগনি অদুগা গজরসু কুপ্লপ্না শোইগনি। শীং অমসুং মোরোক অতেকপসু কুপ্না শোইগনি। প্রেসর কুকরদা থাও শাহল্লগা জীরা হাপচিল্লগা হান্না ঙৌগনি। প্রেসর কুকরদা শীং অমদি মোরোক অতেকপা অশোয়বশিংদু হাপচিনবীগনি। সেকেন্দ ২০ লোম ঙৌবীরনি। হৌজিক মনা-মশিং হায়বদি আলু, গজর অমদি হৱাই থরাক হাপচিনবীরনি। মথংদা হিং হাপচিল্লগা মিনিট ২/৩ ঙৌগনি। থুম অমসুং ঈশিং চমচ অহুম হাপচিল্লগা কুকর মখুম চেৎনা খুমজিনগনি। মনা-মশিংশিং মেংলক্ত্রিফাওবা প্রেসর কুকর অনী অহুল্লক কাম্বীগনি। মনিল মথন্তা তাজখিবা মতমদা প্রেসর কুকর মখুম হাংগনি। ঈশিং অমদি ঈশিং মনিল য়াওরল্লবদি মৈশা পীশিল্লগা মনিল থোকহনবীগনি। অরোইবদা ফদিগোম মনা অশোয়বশিং হাপচিনবীরগা ওৎপীগনি।

## সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি

# বোষ্টোন দাইনামিক্সকী রোবোট হুই অখন্নবা কষ্টম্মরশিংদা ফংলে




অঙম্বা কাবা ঙমবা, সিরি থাক কাবসু ঙম্বা চহী খরগী মমাংদা ভাইরেল ওইখিবা বোষ্টোন দাইনামিক্স কম্পনিগী রোবোট হুই অদু হৌজিক অখন্নবা কষ্টম্মরশিংদা ফংলে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রিলিজ তৌখিবা ভিদিও অমদা 'স্পোট' হায়না মীংথোনবা রোবোট হুই অদু লোঞ্চ তৌবগী এদভর্টিসমেন্ট অমা মীয়ামদা উৎখি। ভিদিও অদুদা 'স্পোট' হায়না মীংথোনবা রোবোট হুই অদুনা য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইবা মফমশিংদা থবক তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল অদু উৎলি।

য়ুম কৈ শাবদা চঙবা মচাকশিং খুনগৎপা, থাঙ্গৎপা ঙম্বাগী পাঙ্গল অদু ভিদিও অদুদা উৎলি। অইং অশা ফিভম য়াম্না নেম্বা অমসুং ৱাংবা মফমশিংদা রোবোট হুই অদুনা অপনবা লৈতনা থবক তৌবা ঙম্মী। রোবোট হুই অদুনা তুরবা মতমদসু মশা মতোমতা হৌগৎচবা ঙম্বগী পাঙ্গল অদুসু ভিদিও অদুদা উৎলি।

'স্পোট'না সেকেন্দ অমদা মিটর ১.৬ চেনবা ঙম্মী। মশাগা দিগ্রি ৩৬০গী কেমেরা অমা য়াওরিবা অদুনা রোবোট হুই অদুনা উবগী পাঙ্গল অদু য়াম্না খুদোং চাহল্লী। 'স্পোট' হায়না খঙনরিবা রোবোট হুই অসি উফুল অমসুং ঈশিং প্রুফনি। ঈংবগী চাং -২০দগীনা শাবগী চাং দিগ্রি সেলসিয়স ৪৫ ফাওবা ওপরেট তৌবা য়াই।

য়ু এস এগী মেসাশুসেটস ষ্টেতা লৈবা ৱালথম সিটিদা কুমজা ১৯৯২দা লিংখৎখিবা বোষ্টোন দাইনামিক্স কম্পনি অসি মেশাচুসেটস ইন্সটিট্যুট ওফ টেগনোলোজিগী মশানি। কুজা ২০১৩দা গুগল কম্পনিনা লৈখ্রবা ২০১৭তা জপানগী সোফট বেঙ্ক গ্রুপনা য়োম্থোকখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, 'স্পোট' রোবোট হুই অসি অহানবা ওইনা কুমজা ২০১৫দা দিভলপমেন্ট ষ্টেজদা লৈরিঙৈদা মীয়ামদা উৎতুনা ভাইরেল ওইখিবনি। অহানবা ভাইরেল অদুদা মীওই মিলিয়ন ২২.৭না ভিদিও অদু মীৎয়েং তানখি।

রোবোট হুই অদুনা মশা মতোমতা বেলেন্স তৌবা ঙম্মী হায়বা অদু মীয়ামদা উৎপা ভিদিও অমদা রিসার্চর অমনা 'স্পোট' রোবোট হুই অদুদা কাওবগী মতাং অদু মীয়াম্না নুঙাইতবা ফাওবগী কমেন্ট কয়া অমসু থান্নরকখ্রবনি।

'স্পোট'কী অপীকপা মনাওনুপা অমসু বোষ্টোন দাইনামিক্সনা শাখি। মমিংনা 'স্পোটমিনি'না খঙনৈ। ফুট ২.৫ ৱাংই। লৈমায়দা থরো-থরো ওনবা ঙম্মী। কোল-লিক চামফমদা কোল হাপচিনবা ঙম্মী। থোং হাংদোকপা অমসুং ফ্রিদজদগী মপুগীদমক কোল্ড ড্রিঙ্ক পুরকপসু ঙম্মী। 'স্পোটমিনি' অসিসু চৎলিবা চহী অসিগা কম্মর্সিয়ল ওইনা ফংহল্লগনি হায়না কম্পনি অসিনা মমাংগী চহীদা লাওথোকখ্রবনি।

বোষ্টোন দাইনামিক্সনা য়ু এস এগী ফেদরেল দিফেন্স এদভান্স রিসার্চ প্রোজেক্স এজেন্সি অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস মেরিন কোর্পসকী ফন্দ শিজিন্নদুনা লান্মীশিংগী মতুং ইন্নদুনা পাউন্দ ৪০০রোম লুম্বা পোৎলুম পুবা ঙম্বা মখোং ৪ পানবা রোবোট শাখ্রবনি। লোয়নননা য়ু এস আর্ম্মীগী ফুট ৩০ ৱাংনা চোংবা ঙম্বা রোবোট অমসুং শাখ্রবনি। রোবোট অদু য়েক্লবগী মফমশিংদা চঙদুনা ফোটোগ্রাফ অমসুং অতোপ্পা ইনফোর্মেসন কয়া লৌবা ঙম্নবা দিজাইন তৌখিবনি।

স্পোট রোবোট হুই অসি কন্সত্রক্সন সাইটশিং, থাউ, গ্যাস অমসুং পৱার পুথোকপা মফমশিংদা শিজিন্নগদৌরি। অদুগা রোবোট হুই অসিগী মমল অতাঙবা কার অমগী মমলগী মান্নে হায়রি।

## চিঞ্জাক্লা খ্বাইদগী ফবা হীদাকনি - হীদাক্লা চিঞ্জাক্কী মহুৎ শীনবা য়াদে

চিঞ্জাক্লা খ্বাইদগী ফবা হীদাকনি অমসুং হীদাক্লা খ্বাইদগী ফবা চিঞ্জাকনি হায়না মোর্দন মেদিসিনগী মপানি হায়নরিবা হিপোক্রেটসনা মতম অমদা ফোঙদোক্লম্বা ৱাফম অদু ঙসিসু অদুমক চুমদুনা লৈরি।

চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া থোরকপগা লোয়নননা ফার্মাসিওটিকেল কম্পেনিশিংনসু তোঙান তোঙানবা মখলগী হীদাক পুথোক্তুনা শেন্দোং চাউনা তানবগী থৌওং চৎথরি। তঙাইফদবা মতমদা হীদাক চাবগী মথৌ তারবসু অয়াম্বা মতমদা মীওইবনা মচি ওইবা চিঞ্জাক মচল শুনা চাবগা লোয়নননা পুন্সি মহিং শেমদোক্লবদি লায়না অয়াম্বা মাঙজৌননা ঙাকথোকপা ঙম্বা মরম্না হীদাক চাবগী থোইদোক্লা মথৌ তারোই হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না করিগুম্বা মীওইবনা চাব-থকপা মতম নাইবগা লোয়নননা অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেং-ওৎপগী থবক তৌরবদি ফার্মাসিওটিকেল ইন্দষ্ট্রিগী মপান তাংদ্রবসু মতম শাংনা পুন্সিবা ঙমগনি।

মতমগী অওনবা মতুংইন্না হৌজিক্তি মালেমগী মফম অয়াম্বদা চাব-থকপগী মওংদা চাউনা অহোংবা লাক্লে। ওর্গানিক ওইবা চিঞ্জাক চাবগী হৈনবী থাদোক্লগা তোঙান তোঙানবা মখলগী প্রিজার্ভেটিব, ফিলর, দিরাইভেটিবস অমদি ফ্লেবরেন্ট য়াওবা চিঞ্জাক চাবদা হৈনবী থম্নরক্লি।



মীপূম খুদিংমক মথৌ চিন্নরকপা মরম্না থোংব-থাকপগী মতম ফংদবদগী অথোংবা ওইনা নৎত্রগা পেকেটতা হাল্লগা য়োল্লিবা চিঞ্জাক লৈরগা চানরি। হকচাং লেং-ওৎপগী চাংসু অঙকপা ফংনা হন্থরক্লে। পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না কয়া পোকহল্লক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৯।০৯।২০১৯ ইং, নোংমাইজিং,
মেরাগী নোংমা পানবা।

মেষ : ঙসিসু লাইবক ফবা, মরুপ-মপাংগী মতেং ফংবা অমদি মীংচৎ উরোং ফংবা য়াবা নুমিৎনি। হকচাংসু নুংঙাইবা হেনগনি, অনৌবা থৌরম পাংবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : লন ফংগনি, থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাগনি অমদি অকিবা মাঙখিনি। ৱাঙাং শোইবনা লাইবক থীবা নংবা য়াই অদুনা খঙদ-হৈতনা পংঙাঙ ঙাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - য়েৎনরদি মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : হরাওবা নুংঙাইবা অমদি মীয়াম পুল্লগনা হেন্না পেঞ্জবা লৈগনি। মীৱা লৌরদি ৱাখল ৱাগনি, চিঞ্জাক কাম্লদি মাঙগনি। লৌশিং চাওবগী ৱা তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

কর্কট : অফবা মফম ফংগনি, অনীংবা অফবা থবক্তা খুৎচাও থাবা য়ারনি। পাইরক্কী লৌশিং চাওই অদুনা কনাগীসু ৱা তাদনা অরুবা ৱারেপ লৌবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ : চিন শোইরগা নরলদা তাইনবা য়াবা নুমিৎনি অমদি ফংবা য়াবসু খরা কন্না হোৎনদ্রদি পন্দুনা লৈখিনি। অরুবা থবক্তি অখঙ অহৈগী ৱা তাদনা পাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - চরাংনবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা : ৱাখল নুংঙাইবা, শেল-থুম ফংবা য়াবা অমদি মীচং হেনগৎপা নুমিৎনি। লম চৎপদি হুৱানবগদগী চেকশিনবা ফগনি, মরুপ খনবা হৈত্রদি পুক্নিং ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম :লৈ নাপু।

তুলা : অরুবা থৌরমদি খরা চেকশিন্না পাংবা ফগনি। কাইনবা, লাইবক ফবসু ৱাৎপা অমদি হেন্না ইচং থৌরসু শেল তিংবা অমদি কাইনবা নংবা য়াবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নাপল থাদোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃশ্চিক : শেল-থুমগী লম্‌দা চাওনা কান্নবা ফংগদবা নুমিৎনি। লম অয়াম্বদা খুৎচাও থাবা অমদি ইচং থৌবগী কান্নবা শোইদনা ফংগনি। লাই-গুরুনা চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : খুরৌ থাংবা অমদি মরুপ-মপাংনা নুংঙাইহন্দবা খরা লৈরসু লাইবক ফগনি, অরং-অরাক ফংই অমদি ঙাওথোকপদা মীনা থাগৎপি। য়েৎনবদি য়াওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক ।

মকর : অশা চাওবা য়াদে-মীপাইবা পোক্কনি অমদি লল্লোন ইতিক্তা অশোইবনা মাঙওইনগনি। লমদগী নত্রগা থাজদবা মরমদগী কান্নবা ঙসিসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কুম্বা : মরুপ-মপাংগী মতেং ফংবা অমদি মখোয়গা লোয়বনা হেন্না কান্নবা ফংবা নুমিৎনি। নাপল তৌনা অমদি হেন্না অশা চাওনা চৎলদি মীনা য়েক্কনি, নুংঙাইতে।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থোইনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংবা নুমিৎনি। মরুপ-মপাং অমদি নথক থোংবনদি য়েংশিনবা লৈ। ৱাঙাং হৈয়ু য়ারগদি ৱা ঙাঙগনু। লল্লোন ইতিক্তি কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ /চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।